**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences    ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal    Impact Factor: 7.384
Volume - 8, Issue - 6, June - 2025

DOIs:10.2018/SS/202506012    --:--    Research Paper / Article / Review

# মণিপুরী লোন্দা প্লুরেল নম্বর (Plural Number) সেম্বগী মওং

**L. Nipamacha Singh**
Assistant Professor, Department of Manipuri, Cachar College, Silchar.
Email ID : nipamachasinghlaishram2953@gmail.com

**এব্‌সত্রেক্ট :** মালেমসিদা মখল মথেলগী ওইবা লোন মসীঙ লিসিং মঙাগী মথক্তা ঙাংন-সানদুনা অহিংবা লোন ওইনা লৈরি হায়না লোনগী মরমদা থিজিনবা, নৈনবসিংনা থল্লিবা লোনসিং অদুগী মনুংদা মণিপুরীসু অমনি। মালেমসিদা ঙাংন-সানরিবা লোন খুদিংমক্কী মসা মসাগী ওইবা স্ত্রকচর লৈজরিবা অদুগুম্না মণিপুরীগীসু মসাগী ওইবা স্ত্রকচর তোঙান্না লৈজে। মসীঙ থিবা য়াবা পোৎলম চৈরমসিং- নাউন অমদি প্রনাউনসিংবু মসীঙ অমনি নৎত্রগা অমদগী হেনবনি হায়না খঙহল্লিবা অদুবু নম্বর হায়না খঙনরি। নম্বর হায়বসি অমতমক খঙহনবা (singular number) অমদি ময়াম খঙহনবা (plural number) হায়দুনা অনী থোক্না খায়দোকই। মণিপুরীগী ওইনা সিঙ্গুলর নম্বর খঙহনবা মতমদা নাউন নৎত্রগা প্রনাউনগী ৱাহৈ অদুতমক থম্মী নৎত্রগা 'অমা' হায়বা তর্ম অসি তপ্নী। 'সন', 'অঙাং', 'তেবল', 'ঐ', 'নং', 'মা', 'সন অমা', 'অঙাং অমা', 'তেবল অমা' অসিনচিংবা নাউন অমদি প্রনাউনগী ৱাহৈসিং অসি মণিপুরী লোনগী সিঙ্গুলর নম্বরগী খুদমসিংনি। পীরিবা সিঙ্গুলর নম্বরসিং অসিদা সফিক্স তপতুনা নৎত্রগা অকক্নবা অমদগী হেনবা মসিং হাপতুনা প্লূরেল নম্বর সেম্মী। 'সন<u>সিং</u>', 'সন <u>মঙা</u>', 'তেবল <u>নিপান</u>', 'অঙাং <u>মরী</u>', 'অঙাং<u>সা</u>' 'ঐ<u>খোয়</u>', 'ন<u>খোয়</u>', 'ম<u>খোয়</u>'নচিংবসিং অসি মণিপুরীগী প্লূরেল নম্বরসিংনি। মণিপুরীদা প্লূরেল নম্বর সেম্বগী পথাপ পরিং তোপ তোপ্না লৈজে। লোন অসিদা প্লূরেল নম্বর করম্না সেম্বগে হায়বদু "**মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর (Plural Number) সেম্বগী মওং**" হায়বা পেপর অসিদা থম্নবা হোৎনরি।

**কি-ৱার্দস :** নম্বর, সিংগুলর, প্লূরেল, সন অমা, ঐখোয়, তেবল .

## 1. ইন্ত্রদক্সন :

মণিপুরী লোন অসি 'সিনো-তিবেতান ফেমিলি' গী মনুং চনবা লোন অমনি [১]। লোন অসি মীওই মিলিয়ন অনী হেনবনা মমালোন ওইনা ঙাংন-সানবগা লোয়ননা ইন-খোৎনদুনা হিংদুনা লৈরি। ইন্দিয়া, ম্যানমার অমদি বাংলাদেশনচিংবা লৈবাকসিংদা মণিপুরীসিংনা খুন্দা-লৈতারি। মালেমসিদা ঙাংন-সানবগা লোইননা ইন-খোৎনরিবা লোন পুম্বদা 'খোন্থোক্' (ফোনিম), 'ৱাহৈ', 'ৱাহৈ পরেং' অমদি 'অর্থ' হায়রিবা লোনগী থাক মরী অসি লোইনমক লৈ। থাক মরী অসি লোন খুদিংমক্তা লৈরবসু খোন্থোক্কী মসিং, ৱাহৈ মসিং, ৱাহৈ পরেং সাগৎলকপগী মওং অমদি অর্থ খঙহনবা নৎত্রগা লৌসিনবা/লৌবগী মতাংদদি অমগা অমগা মান্নদে, খেন্নবা কয়ামা লৈ। অমেরিকান্ ইংলিসকী খোন্থোক্ ৩৯ (কন্সোনেন্ট ২৪ অমদি ভাৱল ১৫) লৈ; হৱাইঅন (Hawaiian) গী খোন্থোক্ ১৩ (কন্সোনেন্ট ৮ অমদি ভাৱল ৫) লৈ; অফ্রিকাদা ঙাংন-সানবা খোইসান (Khoisan) লোনগী খোন্থোক্ পুন্না ১১৯ (কন্সোনেন্ট ৯৫ অমদি ভাৱল ২৪) লৈ [২]। খোন্থোক্ মসিংদা খেন্নবা লৈজরবসু লোন অমমম ওইবগী মথৌ অদুদি মপুং ফানা পাংথোকই। নম্বর হায়বসি গ্রামাতিকেল কেতেগোরিগী মনুং চল্লি। ৱাহৈগী কাঙলুপ (লেক্সিকেল কেতেগোরি) নত্তবা ৱাহৈ পরেং অমদা লৈমিন্নবদা লোন্দুগী কাঙলোনগী মনুংদা চৎমিন্নবা অদুবু গ্রামাতিকেল কেতেগোরি হায়না খঙনৈ[৩]। গ্রামাতিকেল কেতেগোরিগী মনুংদা জেন্দর, নম্বর, পার্সন, কেস, তেন্স, এসপেক্ত, ভোইস অমদি মুদ অসিনচিংবসিং চল্লি। নম্বর হায়বসি মণিপুরীদা 'মসীঙ' হায়না খঙনবসু য়াই। অতৈ অতৈ লোন্দা লৈবগুম মণিপুরী লোন্দসু সিঙ্গুলর নম্বর অমদি প্লূরেল নম্বর লৈ।

সিঙ্গুলর নম্বর অমদি প্লূরেল নম্বর করম্না খায়রিবনো নৎত্রগা সেম্লিবনো হায়বদুদি লোন অমগা লোন অমগা মান্নদে; লোন লোন্দুগী ওইবা পথাপ-পরিংগী মখা পোনবা ওইনা লৈ।

**2. ওবজেক্তিবস :**

মণিপুরী লোনগী মসাগী ওইবা সেমগৎ সাগৎপগী মওং লৈজরি। পেপর অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর করম্না সেম্বগে হায়বদু তাক্লবা হোৎনবনি।

**3. মেথোদোলোজি :**

পেপর অসি ইনবা হোৎনবদা মপুং ওইবা মতেং লৌরিবদি সেকেন্দরি সোর্স ওইনা লিঙ্গুইষ্টিক্স অমদি গ্রামারগী তোঙান তোঙানবা লাইরিকসিংনি। অদুগা হক্থেংননা তারুবা মণিপুরী মীয়াম্না ঙাংন-সানবা মতমদা সিজিন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতাসিংনা প্রাইমরি সোর্স ওইনা মতেং লৌরি।

**4. দিসকসন :**

ঐখোয় মীওইবনা খঙবা ঙম্বগী পংখৈ মনুংদা লৈরিবা পোৎলমসিং হায়বদি শকউবা নৎত্রগা শকউদবা, থৱায় পানবা নৎত্রগা পান্দবা, লেঙঙম্বা নৎত্রগা লেঙঙমদবা অসি মসীঙ থীবা য়াবা লোইননা মসীঙ থীবা য়াদবা হায়না অনী থোক্লা খায়দোকই। মসীঙ থীবা য়াবা পোৎলমসিং (ৱার্দ ক্লাস: নাউন অমদি প্রনাউন) অসি মসীঙ থীদুনা অমনি নৎত্রগা অমদগী হেনবনি হায়না খঙনরিবা অদুবু নম্বর হায়না খঙনৈ। ইংলিস লোনগী তর্ম 'নম্বর' হায়বসি মণিপুরী লোন্দা এস. তোম্বনা 'সীঙ্তাক' [8] অদুগা নাওরিয়া অমুসনানা 'শীংশক' [5] হায়না মথংসিৎনা মমিং পী। অদুমকপু মণিপুরী লোনগী মরমদা ইবা লিঙ্গুইষ্টিক্স অমদি গ্রামারগী লাইরিকসিংদা ইংলিসকী তর্ম 'নম্বর' হায়বসি অয়াম্বনা সিজিন্নৈ। অসিগুম্বা নম্বর অসি মণিপুরী লোন্দা 'সিংগুলর নম্বর' (অমখকতমক খঙনবা) অমদি 'প্লূরেল নম্বর' (অমদগী হেনবা খঙনবা) হায়না মখল অনী থোক্লা লৈ ।

**(ক) সিংগুলর নম্বর**:- নাউন নৎত্রগা প্রনাউনগী ৱাহৈ অমনা মসীঙ অমখক্তনি তাকপা/খংহনবা অদুবু সিংগুলর নম্বর হায়না খঙনৈ। মণিপুরী লোনগী সিংগুলার নম্বরসিং অসি সিংগুলর নম্বর ওইরিবা ৱাহৈ অদুদা মখল অমতগী ৱাতপ (এফিক্স) সিজিন্নদনা ৱাহৈ অদুতমক নৎত্রগা 'অমা' হায়বা তর্ম অসিগা লোইননা থম্মী। খুদম:- নুপী/নুপী অমা, সন/সন অমা, তেবল/তেবল অমা, পোংহুৎ/পোংহুৎ অমা, কার/কার অমা, খুদৈ/খুদৈ অমা, খুজি/খুজি অমা, ফমুং/ফমুং অমা অসিনচিংবা।

**(খ) প্লূরেল নম্বর:-** নাউন নৎত্রগা প্রনাউনগী ৱাহৈ অমনা মসীঙ অমদগী হেনবনি ময়ামনি হায়না খঙনরবদি মদুবু প্লূরেল নম্বর হায়না খঙনৈ। খুদম:- লাইরিকসিং, তেবলসিং, অঙাং মঙা, মখোয়, হৈনৌ তরেৎ, ইচাসা, মীয়াম, লুপা তরা অসিনচিংবা। মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর সেম্বা অসি নাউন নৎত্রগা প্রনাউন অদুদা এফিক্সসিং নৎত্রগা অকক্লবা অমদগী হেনবা মসীং অদু তপ্পগা সেম্বনি। মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর সেম্বগী পথাপ-পরিং (নিয়ম) খরা লৈ। মদুদি-

১. মসীঙ অমদগী হেনবা খঙননবগীদমক মণিপুরীদা '-সিং', '-সা', অমদি '-খোয়' হায়বা সফিক্স (তুংতপ) অহুমখক সিজিন্নরগা সেম্বা ।

২. ৱাহৈ অনীরক হায়বদি হন্ন হন্ন হায়রগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা।

৩. 'ময়াম' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা।

৪. 'লোইনা, হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা।

৫. 'খরা' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা।

থল্লিবা পথাপ-পরিংসিং অসিদগী য়েংলগা মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর করম্না সেম্বগে হায়বদু মখাগী অসুন্না থম্বা য়াই-

১. ১. '-সিং' তপ্পগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা:- '-সিং' হায়বা সফিক্স অসি করিগুম্বা নাউন খঙনবা ৱাহৈদা

**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 7.384
Volume - 8, Issue - 6, June - 2025

তপ্পবদি প্লূরেল ফোমদা ওন্খিগনি (৬) । খুদম ওইনা- মীসিং, অঙাংসিং, নুপীসিং, নুপাসিং, পাখঙসিং, য়েনসিং, সনসিং, সামুসিং, হামেংসিং, ঙানুসিং অসিনচিংবা। পীরিবা নাউনসিং অসিদা '-সিং' সফিক্স অসি তপতুনা প্লূরেল নম্বর সেম্বনি। এম্. এস. নিংঙোম্বনা '-সিং' তপ্না য়াবা নাউনগী ৱাহৈসিং মখাগী অসুন্না পী-

১. ১. ১. মীওইবা খঙনবা ৱাহৈসিংদা- মীসিং, অঙাংসিং, নুপীসিং, নুপাসিং, পাখঙ্সিং, লৈসাবীসিং অসিনচিংবা।

১. ১. ২. সা উচেক খঙনবা ৱাহৈসিংদা- য়েনসিং, সনসিং, সামুসিং, হামেংসিং, ঙানুসিং অসিনচিংবা।

১. ১. ৩. পোৎ-চৈ খঙনবা ৱাহৈসিংদা- লাইরিকসিং, কোলোমসিং, ফকসিং, তেবলসিং অসিনচিংবা।

১. ১. ৪. মহৌসাগী ওইবা পোৎলমসিংদা- পাৎসিং, তুরেলসিং, চীংসিং, থৱানমিচাকসিং অসিনচিংবা।

১. ১. ৫. কোল্লিক্, খুসু-খুলাই, ফি-রোল্, থুমোক্-তাইরুক্নচিংব ৱাহৈসিংদা- পুখম্সিং, তেংগোৎসিং, চফুসিং, পোলাংসিং, লাংগোলসিং অসিনচিংবা।

১. ১. ৬. দিরাইপ নাউনগী ৱাহৈ খৱাদা- অরিক্পসিং, খুল্লাক্পসিং, লল্লোন্বসিং (৭) অসিনচিংবা।

১. ১. ৭. '-সিং' অসি মিংগৌ খঙনবা ৱাহৈসিংদা তপতুনা অমদগী হেনবা মসীঙ খঙহনবসু য়াই, মদুদি- ইচেসিং ময়াম য়ৌরকএ। ইকুবোকসিংদু অৱাইবা নত্তে (৮) ।

১. ২. '-সা' তপ্নগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা:- কমন নাউন খঙনবা ৱাহৈদা অমদি দিরাইপ নাউনগী ৱাহৈ খৱাদা '-সা' হায়বা সফিক্স অসি তপতুনা প্লূরেল নম্বর সেম্বা য়াই। খুদম:- অঙাংসা, ইনাওসা, লৈসাবীসা, অনোক্পসা, সেন্জাবসা অসিনচিংবা। অদুবু '-সা' হায়বা সফিক্স অসি অহন্সিংনা মখা থাবসিংদা, অচৌ-অসাংসিংনা মচা-মসুনচিংবা কৌবদ অমদি পেন্দব, সাউনব ফোঙ্দোক্পনচিংব খক্তদ সীজিন্নৈ (৯) ।

১. ৩. '-খোয়' তপ্নগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা:- '-খোয়' হায়বা ময়াম ৱাতপ অসি মী খঙনবা ৱাহৈদতমক তপ্নী (১০) । সফিক্স '-খোয়' হায়বসি মথংসিৎনা মিংগৌ খঙনবা ৱাহৈসিংবু অমদগী হেনগৎহনবদা, মী খঙনবা প্রনাউনসিং অমদি মী খঙনবা প্রোপর নাউনসিংদা তপ্নগা প্লূরেল নম্বর সেম্বনি। খুদম:- ঐখোয়, নখোয়, মখোয়, ইচেখোয়, ইবাইখোয়, তাদখোয়। 'ঐখোয়', 'নখোয়', 'মখোয়' হায়রিবা প্লূরেল নম্বরসিং অসিদা '-অকক্লবা মসীঙ', '-খৱা', '-ৰোম/লোম', '-মুক' তপতুনা মখাগী অসুন্না অমুকসু সেম্বা য়াই, মদুদি-
'ঐখোয়'- ঐখোয় অনী, ঐখোয় মঙা, ঐখোয় খৱা, ঐখোয় মরীমুক, ঐখোয় তরুকলোম অসিনচিংবা।
'নখোয়'- নখোয় মঙা, নখোয় তরেৎ, নখোয় খৱা, নখোয় নিপানমুক, নখোয় মাপনলোম অসিনচিংবা।।
'মখোয়'- মখোয় অহুম, মখোয় নিপান, মখোয় খৱা, মখোয় তরামুক, মখোয় তরামঙাৰোম অসিনচিংবা। পীরিবা খুদমসিং অসিদা মসীঙ হায়বদি- '-অনী', '-মঙা', '-তরেৎ', '-অহুম', '-নিপান'নচিংবা তপলিবসিং অসিনা অকক্লবা মসীঙ নৎত্রগা মসীঙ কয়ানো হায়বদু খঙহল্লি; অদুগা '-খৱা', '-মুক', '-লোম' অমদি '-ৰোম' তপলিবসিং অসিনা অকক্লবা মসীঙ অদু খঙহন্দে, চাউরাকপা অদু খঙহনবনি। মসিসু মণিপুরী লোনগী প্লূরেল নম্বর সেম্বগী পথাপ-পরিং অমনি।

২. ৱাহৈ অনীরক হায়বদি হন্ন হন্ন হায়রগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা:- 'কনা', 'করি' হায়বা প্রনাউনসিং অসি অনীরক হন্ন হায়রগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা য়াই। ৱাহৈ হন্ন-হন্ন হায়রগা প্লূরেল নম্বর সেম্বগী মতাংদা সাপম তোম্বনা অসুন্না পীরম্মী- "মীতৈলোনগী ওইব ৱাহৈ অমন অনীরক্ হায়বদি হন্ন হন্ন হায়রগা ময়াম খঙ্নব ৱাহৈ ওইন সীজিন্নব য়াই" (১১) । খুদম:-
কনা = কনা-কনা (ময়াম খঙনবা- কনা কনা চৎখিবগে?)
করি = করি-করি (ময়াম খঙনবা – করি-করিনো খৱা পুরকউ।) অসুন্না।

৩. 'ময়াম' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা:- 'ময়াম' হায়বসি মসা মতোমতা মপুং ফাবা ৱাহৈ ওইনা লৈবা ঙম্মী। অদুবু করিগুম্বা মতাংদা ৱাতপ ওইনা সীজিন্নদুনা প্লূরেল নম্বর সেম্বা য়াই। খুদম:- সন ময়াম (সনয়াম), মী ময়াম (মীয়াম), চে ময়াম (চেয়াম), তুরেল ময়াম অসিনচিংবা। অদুগা অমনা 'ময়াম' হায়বসি অমুক প্লূরেল নম্বরসিংদা তপসিন্দুনা হেন্না য়াম্বা খঙহনবসু য়াই। খুদম:- ইচেখোয় ময়াম, ইবাইখোয় ময়াম অসিনচিংবা।

৪. 'লোইনা, হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা:- মণিপুরী লোনদা 'লোইনা' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা প্লূরেল নম্বর সেম্বা য়াই (১২) । খুদম – 'অঙাং লোইনা', 'হৈনৌ লোইনা' অসিনচিংবা।

৫. 'খরা' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা সেম্বা:- 'খরা' হায়বা তর্ম অসি সিজিন্নরগা মণিপুরী লোনদা প্লূরেল নম্বর সেম্বা য়াই। খুদম – নুপী <u>খরা</u>, তিলহৌ <u>খরা</u> অসিনচিংবা।

মণিপুরী লোনগী প্লূরেল নম্বর অসি অকক্লবা মসীঙ হাপতুনা নৎত্রগা সফিক্স তপতুনা সেম্বতা নৎতনা নাউনগী মতুংদা লাকপা ৱাহৈনা নৎত্রগা নাউনগী ৱাহৈ অদুনা করি তৌরিবনো হায়বদু খঙহনবা ৱাহৈ (Verb) গী মখাপোন্না প্লূরেল নম্বর ওইবসু য়াই। খুদম ওইনা – 'সন' হায়রবদি অমখক্তমক খঙহনবা সিঙ্গুলর নম্বরনি; অদুগা 'সন ৱাইনরে' হায়রবদি 'সন' অমখক্তমক নৎত্রে, 'সন' অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবনি হায়বদু খঙহল্লি। 'ৱাইনরে' হায়বা ভর্ব অসিনা সিঙ্গুলর নম্বর ওইরিবা 'সন' অসি অমদগী হেনবনি হায়বদু খঙহনবনি। অসুন্না 'য়েন কাওনরে', 'হূই চিক্লরে', 'অঙাং খৎনরে' অমদি 'মী ফুনরে' অসিনচিংবদা য়াওরিবা ভর্বসিং- 'কাওনরে', 'চিক্লরে', 'খৎনরে' অমদি 'ফুনরে' হায়রিবসিং অসিনা 'য়েন', 'হূই', 'অঙাং' অমদি 'মী' নচিংবা অসি মসীঙ অমদগী হেনবা প্লূরেল নম্বরনি হায়বদু খঙহল্লি। মসিসু মণিপুরীগী প্লূরেল নম্বর সেম্বগী/খঙহনবগী তোপ তোপ্পা মসক অমনি হায়বা য়াই।

মণিপুরী লোন্দা মসীঙ থীনদবা নৎত্রগা মসীঙ থীবা চৎনদবা পোৎলম খরা লৈ। মসীঙ থীবা য়াদবা মহী লাঙবা নত্রগা মতুম নত্রগা মপাক ওইনা লৈব পোৎসিংবু মসীঙ্ থীদবা সীঙ্তাক্ কৌই [১৩] । অদুগুম্বা মসীঙ থীদবা পোৎলমসিং অসি- ঈসিং খুজাই মঙা, চুহী পৱা অনী, থুম মপাক তরুক, লসিং বোরা মরী, সঙ্গোম লিতর তরেৎ অসুন্না হায়নৈ নৎত্রগা ইনৈ; তৌইগুম্বসুং পোৎলমসিং অদু মসীঙ থীবনি হায়না লৌনদে। করিগুম্বা মসীঙ থীবা তারবদি অকক্লবা চাং অমগী মখা পোন্না থীনৈ।

**5. ৱারোইসিন :**

মণিপুরী লোনগী নাউন নৎত্রগা প্রনাউনসিংদা এফিক্স তপ্তুনা অমদি এফিক্স তপ্লগা সিঙ্গুলর নম্বরনি নৎত্রগা প্লূরেল নম্বরনি হায়বদু খংহল্লি। লোন অসিগী ওইনা নাউন অমদি প্রনাউনসিংদা '-সিং, '-সা', '-খোয়' সফিক্সসিং তপ্লগা প্লূরেল নম্বর সেম্মী। প্রনাউন 'কনা' অমদি 'করি' হায়বা ৱাহৈসিং অসি অনীরক হন্ন হায়রগা মণিপুরীদা প্লূরেল নম্বর সেম্মী। 'ময়াম', 'লোইনা' অমদি 'খরা' হায়বা তর্মসিং অসি নাউন নৎত্রগা প্রনাউনগী ৱাহৈসিংদা তপ্পগসু মণিপুরী লোন্দা প্লূরেল নম্বর সেম্মী। অসুন্না মণিপুরী লোনদা প্লূরেল নম্বর সেম্বগী পথাপ পরিংসিং লৈরি।

**মতেং লৌখিবা লাইরিকসিং :**


১. Verma, S. K., and Krishnaswami, N. (2011). *Modern Linguistics An Introduction* (p. 12). 6th imp. Oxford: Oxford University Press

২. Adrian, Akmajian. et al. (2015). *Linguistics An Introduction to Language and Communication* (p.87). Sixth ed., Delhi: PHI Learning Private Limited

৩. সিংহ, চুংখাম যশৱন্ত. (২০২০). *মণিপুরী গ্রামার* (লা: ৮৩). ইম্ফাল: য়াইবিরেল কম্যুনিকেশল

৪. দা: তোম্ব, সাপম. (২০০৭). *মীতৈ লোন্মীত্* (লা: ৪১). ইম্ফাল: রাইটর্স ফোরম

৫. সিংহ, অমুসনা নাওরিয়া. *মীতৈরোনগী ৱাহৌরোন* (লা: ৪১). শিলচর: নাওরিয়া অমুসনা

৬. দেবী, সাইখোম অন্জু (২০০৫). *মণিপুরী মোরফোলোজি* (লা: ১০০). সিলচর: এস. জি. পব্লিকেসন

৭. নিংঙোম্ব, এম. এস. (১৯৯২). *মীতৈ লোন্মীৎ* (লা: ৪৭-৪৯). ঈম্ফাল: সরসতী বুক্ হাউস্

৮. <u>*ইবিদ*</u>*.,* ১৯৯২, লা: ৫১

৯. <u>*ইবিদ*</u>*.,* ১৯৯২, লা: ৪৯

১০. <u>*ওপ. সিত*</u>., *মীতৈ লোন্মীত্*, লা: ৪৪

১১. <u>*ইবিদ*</u>*.,* ২০০৭, লা: ৪৫

১২. <u>*ওপ. সিত*</u>., *মণিপুরী গ্রামার*, লা: ৮৬

১৩. <u>*ওপ. সিত*</u>., *মীতৈ লোন্মীত্*, লা: ৪৬